### তুরেলদা ইন্থরক্লে

হেরাট, মে ০৩ (এজেন্সি) :
অফঘান মাইগ্রেন্ট কয়া ইরানদা চঙহন্দনবগীদমক্তা মখোয়বু ইরানিয়ন বোর্দর গার্দশিংনা ওৎ-নৈখিবগী রিপোর্ট কয়া ফোঙনখিবা মতুংদা অফখান ওফিসলশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা নোংচুপ থংবা প্রোভিন্স অমগী তুরেলদগী অফঘান মাইগ্রেন্টশিংগী অশিবা হকচাংশিং থিবগী থবক অমা হৌখ্রে হায়রি।
অফঘানিস্তানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, অফঘান মাইগ্রেন্ট কয়া শিরল্লিবদুগী মতাংদা ইনক্বাইরি অমা হৌখ্রে অমসুং হেরাট প্রোভিন্সকী বোর্দরদগী ইরানদা চঙনবা হোৎনখিবা অফঘান ৭০ রোম ফুদৎলগা হরিরুট তুরেলদা ইন্থখি হায়বগী থাজবা য়াবা পাউ ফংলে।

### ফোরেনর ওইরক্লে

শ্রীনগর, মে ০৩ (এজেন্সি) :
নোংমাইজিং নুমিত্তা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী কুপৱারা দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পখিবগী থৌদোক্তা শিখিবা টেররিষ্ট অনীগী মনুংদা অমদি হাইদর কৌবা টেরর আউফিট লাস্কর-ঈ-তাইবাগী তোপ কম্মান্দর ওইবা পাকিস্টান মচা অমনি হায়বসি খঙবা ঙমখ্রে। আই জি পি (কাশ্মির) বিজয়কুমারনা পাকিস্টানি নেসনল ওইবা হাৎখ্রবা টেররিষ্ট অদুবু মশক তাকখি। এল ঈ টি রিওর্গনাইজ তৌনবা মহাক কাশ্মিরদা থারকখিবনি হায়রি।

## য়ু এস মিলিটরিনা টালিবানদা ভাইওলেন্স মখা চথৎরবদি পাউখুম পীগনি হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে



কাবুল, মে ০৩, (এজেন্সি) :
অফঘানিস্তানদা লৈরিবা য়ু এস মিলিটরিনা টালিবানদা ৱার্নিং পীরদুনা হায়খ্রে মদুদি, মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিনা হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎয়েক পীনখিবা এগ্রীমেন্ট খোঙ্গাওনদুনা মীশি-মীনা থোকহনবা এটেকশিং মখা চথবা তারবদি মখোয়গী মায়োক্তা মিলিটরি এক্সন লৌখত্তুনা চানবা পাউখুম পীরগনি।
অফঘানিস্তানদা লৈরিবা য়ু এস ফোর্সেসকী স্পোক্সপর্সন সোনি লিগেটনা ত্বিটর পোষ্টকী খুথাংদা টালিবানগী স্পোক্সপর্সন জাবি হুলা মুজাবিদতা ইবা অফোংবা লেটর অমদা হায়খি মদুদি, হৌজিক মায়কৈ খুদিংমক্লা পোলিটিকেলগী লম্বীদা হল্লকপা অমসুং ফেব্রুৱারি ২৯গী পেক্টতা য়ানখিবগুম হাৎ-তুপ্পা অমদি মাঙহন-তাকহনবগী থবক-থৌওংশিং হন্থহনবা মতম ওইরে।
হাৎন-শুনবগী ইরাং হন্থহনবা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদবা অমনি অমসুং মসি মিলিটরি ফোর্স পুম্নমক হায়বদি অফঘানিস্তানগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিং, টালিবান ফাইটরশিং অমসুং কোলিসনগী লুচিংবশিংগী মখা পোল্লি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা লেগেটনা হায়খি মখা তানা হায়খি মদুদি, এটেক চথবনা মখা তাবা এটেক লাকহল্লি। অমরোমদা, নাকল অমনা পুক্লিং ফাথদুনা লৈবা তারবদি অতোপ্পা নাকলনসু মান্নবা মওংদা পুক্লিং ফাথৈ। মরম অদুনা অফঘান কনফ্লিক্ট অসিদা চেন্নরিবা খুদিংমক্লা অহেনবা মীশি-মীনাশিং থোকহন্দনবগীদমক পুক্লিং ফাথবগী থৌওং উৎনগদবনি। করিগুম্বা হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিং হন্থহনবা ঙমদ্রবদি মদুগী পাউখুম শোয়দনা লাক্কনি।
অমরোমদা, টালিবানগী মায়কৈদগী লেগিটকী ত্বিট অদুগী পাউখুম ওইনা য়ু এসনা দোহাদা য়ানখিবা ৱাফমশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা অপিল তৌখ্রে।
হৌজিক লৈরিবা ইনভাইরনমেন্ট অসিবু ৱাহন্থোক লৈতবা অমসুং কায়হৌবগী ৱাহৈ-ৱাতাশিংনা অকায়বা পীনবা হোৎনরোইদবনি। ঐখোয়গী মায়কৈদগীদি ঙাকফম থোকপশিং ঙাক্লবগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ হায়না টালিবানগী স্পোক্সমেন মুজাহিদনা ফোঙদোকখি।
মসিগী মমাংদা য়ু এস অমসুং অফখান গভর্নমেন্টনা মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিদা নত্তনা সিভিলিয়নশিংগী ময়োক্তা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না এয়র ষ্ট্রাইক চথখিবগী মায়োক্তা পাউখুম পীগনি হায়না টালিবান্না ৱার্নিং তৌখিবনি। হৌজিক অফঘানিস্তানদা য়ু এস ট্রুপ ১৪,০০০ লৈরিবনি।

## ইজরেলগী সুপ্রিম কোর্টনা নেট্টনয়াহুগী মরাইবক লেপকদবা নুমিৎ নিনিগী হীয়ারিং হৌখ্রে



জেরুসেলম, মে ০৩ (এজেন্সি) :
ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেট্টনয়াহুবু ক্রিমিনেল ট্রাইয়ল মায়োক্লরিঙৈদা অনৌবা গভর্নমেন্ট অমা শেম্বা য়াহন্দনবা থারকখিবা পিটিশনশিংগী হীয়রিং নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈবাক অসিগী সুপ্রিম কোর্টনা হৌখ্রে।
সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, মহৌশাগা মান্নদনা চাওরবা জষ্টিস ১১ গী পেনেল অমনা প্রোসিদিংস অদু পাঙথোকখি। হীয়রিং অদু সুপ্রিম কোর্টকী ৱেবসাইট অমসুং লৈবাক অদুগী টিভি চেনেলশিংদা লাইভ ওইনা ব্রোদকাষ্ট তৌখি। কোর্ট অদুদা নেট্টনয়াহুমগী মায়োক্তা তোঙান-তোঙানবা পিটিসন ৮ থাংগৎলকখি।
সুপ্রিম কোর্টগী প্রসিদেন্ট অমসুং পেনেল অদুগী চ্যেরপর্সন ইষ্টর হয়ুপনা নোংমাইজিং নুমিত্তা দিস্কসন অদু হৌরকপদা কোর্টনা নেট্টনয়াহুবু ক্রিমিনেল কেসশিংদা মরাল শিখ্রবা মতুংসিদা অনৌবা গভর্নমেন্ট অমা শেমহন্দনবা তকশিল্লকখিবা পিটিসনশিংগী হীয়রিং চথগনি হয়খি।
নিংথৌকাবা নুমিত্তা কোর্ট অসিনা নেট্টনয়াহু অমসুং সেন্ট্রিস পার্টিব্লু এন্দ হ্বাইটকী লিদর বেনিগান্সকী মরক্তা সাইন তৌনখিবা কোলিসন গভর্নমেন্ট অমা শেম্নবগী অনৌবা য়ুনিটি দিল অমা থিংজিন্নবা তকশিল্লকখিবা পিটিসনশিং হীয়রিং তৌগনি।
দিল অদুগী মখাদা নেট্টনয়াহুনা থা ১৮ মখা তানা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরবা তুংদা গান্সনা মহাক্কী মহুৎ শীনগদৌরিবনি। দিল অদু লৈবাক অদুগী মেম্বর ১২০ লৈবা পার্লিয়ামেন্টতা পার্টি অমত্তনা কোলিসন গভর্নমেন্ট অমা শেম্বা ঙম্নদবদগী এপ্রিল ২০ দা সাইন তৌনখিবনি।

## খুৎলায়গী অথিংবা শাংদোক্লবদি ন্যুক্লিয়র দিল মতম পুন্থগী ওইনা চৎনরোই



টেহরান, মে ০৩ (এজেন্সি) :
ইরানগী মকোক থোংবা সিক্যুরিটি ওফিসলনা চেকশিনৱা ফোঙদোক্লদুনা নোংমাইজিং নুমিত্তা হায়খ্রে মদুদি, করিগুম্বা ইস্লামিক রিপব্লিক অসিগী মায়োক্তা য়ু এন্না থল্লিবা খুৎলায়গী অথিংবা মখা তানা শাংদোকপা তারবদি কুমজা ২০১৫ দা য়ানখিবা ন্যুক্লিয়র দিল-জোইন্ট কমপ্রিহেন্সিভ প্লান ওফ এক্সন (জে সী পি ও এ) মতম পুন্থগী ওইনা চৎনররোই।
য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোল্যুসন ২২৩১ নাথৈদুনা অমসুং ইরানগী মায়োক্তা লোনা য়াদবা মওংদা খুৎলায়গী অথিংবশিং মখা তানা থম্বগী ৱারেপ অসিনা জে সী পি ও এ মতম চুপ্পগী ওইনা শিহল্লগনি হায়না ইরানগী সুপ্রিম নেসনল সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী সেক্রেটরি অলি সমখানিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।
মহাক্লা মখা তারদুনা অথিংবা থম্বা হায়বা ভাইরস অসি য়ু এসনা মালেমগী মফম কয়া কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লক্তবা মতমদা শীজিন্নবা খুৎলায় অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।
সমখানিনা দিল অদুদা য়াওরিবা য়ুরোপকী পার্টনরশিংদা য়ু এসকী প্রেসরগী মায়োক্তা লৌফম থোকপা এক্সন লৌখৎলক্লবসু তকশিনখি। হৌজিক য়ু এসকী থৌওং অসিদা ঈ য়ুনা তৌগদবদি দিল অসিগী মরী লৈনবা পার্টিশিংগী ইকাই খুম্নবা মাঙহন্দবা, মল্টিলেটরেজিম শৌগৎপনি নৎত্রগা ইকাইবা নংবগী ফিভম য়াদুনা য়ুনিলেটরেজিমদা মতেং পাংবনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।
ৱাশিংটন্না থা ৬ কী মতম লোইবা ফাওবা চৎনখিগদবা ইরানদা কনভেনসনেল খুৎলায়শিং য়োনবদা থল্লিবা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী অথিংবা অমুক হন্না শাংদোকহনবা য়ানবগী থৌরাং পুম্বা ৱাশিংটন্না খন্নরি হায়না য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনা লাউথোকখিবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাক্লিবনি। করিগুম্বা য়ু এন্না ইরানগী মায়োক্তা থল্লিবা খুৎলায়গী অথিংবশিং মখা তানা শাংদোকহনবা তারবদি ইস্লামিক রিপব্লিক অসিগী মায়কৈদগী অকনবা পাউখুম পীরক্কনি হায়না থাংজ নুমিত্তনা ইরানিয়ন গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখিবনি।

## রসিয়াদা রেকোর্দ ওইনা কোভিদ কেস ১০,৬৩৩ রিপোর্ট তৌখ্রে





মোস্কো, মে ০৩ (এজেন্সি) :
রসিয়াদা নোংমখক্কী ওইবা অনৌবা রেকোর্দ অমা ওইনা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা কনফার্ম তৌখিবা কোভিদ-১৯ কেস ১০,৬৩৩ নোংমাইজিং নুমিত্তা রিপোর্ট তৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন মশিং ১৩৪,৬৮৭ য়ৌরে হায়না হেল্থ ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।
রসিয়ানা নুমিৎ খুদিংগী ওইনা এপ্রিল ৩০ দগী কোরোনাভাইরস কেসশিং অপদেট তৌদুনা লাক্লি। নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈবাক অসিদা পান্দেমিক অসিনা ইনৌ নৌনা মীওই ৫৮ শিহন্দুনা লায়না অসিনা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা শিহল্লিবা মী মশিং পুন্না ১,২৮০ য়ৌখি। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা লায়েংবদগী ফরকখিবগী কেস ১,৬২৬ য়াওনা লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবদা পুন্না ১৬,৬৩৯ কোভিদ-১৯ দগী ফরে হায়না লৈবাক অসিগী কোরোনাভাইরস রেস্পোন্স সেন্টরগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।
রসিয়াগী কোরোনাভাইরসনা খ্বাইদগী য়াম্না শোকহনবা মফম ওইরিবা মোস্কোদা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা কনফার্ম তৌরবা অনৌবা কেস ৫,৯৪৮ রিপোর্ট তৌখিবগা লোয়ননা মফম অসিগী কোভিদ কেস ৬৮,৬০৬ য়ৌখ্রে।
সিটি অসিগী মেয়র সর্গি সোভিয়ানিগী মতুং ইন্না তোঙান-তোঙানবা মীওই গ্রুপশিংগী মরক্তা চথখিবা স্ক্রিনিংগী রিজল্টশিং মোস্কোদা লৈরিবা অপুনবা মীশিং মিলিয়ন ১২.৬৮কী চাদা ২ হৌখিবা জন্যুৱারিদা ভাইরস অসিনা শোকহল্লম্বা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি। পান্দেমিক্কী ফিভম রসিয়াদা খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে হায়না লৌবা য়াবগী মরম লৈতে হায়না হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখি।
নুমিৎ নিনিগী মমাংদা রসিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মিখাইল মিসুষ্টিননা মহাকসু কোরোনাভাইরসকী চাংয়েংদা পোজিটিভ ওইরক্লে হায়না লাউথোকখিবনি। প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগা ভিদিও কনফরেন্সিং তৌদুনা ৱারী শানবদা মহাক্লা পুটিনদা ৱাফম অসি খঙহনখি।

## কাশ্মিরদা নোংমৈ কাপ্নবদা আর্মি ওফিসর ২ য়াওনা ৭ শিরে



শ্রিনগর, মে ০৩ (এজেন্সি) :
নোংমাইজিং নুমিত্তা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী কুপৱারা দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা শাথিরবা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অমদা আর্মিগী সিনিয়র ওফিসর অনী, জুনিয়র রেঙ্ক অনী, লোকেল পুলিসকী ওফিসর অমা অমসুং টেররিষ্ট অনী য়াওনা মীওই ৭ শিখ্রে।
শ্রিনগরদা বেজ তৌবা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন কর্নেল রাজেস কলিয়ানা মমিং মথানচিংবা অকুপ্পশিং পন্দনা সিক্যুরিটি পর্সনেল ৫ শিখ্রে হায়বসি কনফার্ম তৌখি।
অৱাংবা থাক্কী সোর্সশিংনা এজেন্সিদা হায়খি মদুদি, হনৱারা টেহশিলগী রাজৱার এরিয়াদা লৈবা রাস্ত্রিয়া রাইফলস (আর আর) বট্টালিয়ন অমা কম্মান্দ তৌরিবা আর্মি কর্নেল ১, আর আর বট্টালিয়ন অদুমক্কী কম্পনি অমা কম্মান্দ তৌরিবা মেজর ১, লান্স নাইট ১গা লোয়ননা রাইফেলমেন অমদি লোকেল পুলিসকী এস ও জিগী ওফিসর ১ হনৱারা টেংসিলগী চাঞ্জিমুলা ভিলেজদা টেররিষ্টশিং অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মরক্তা পুং ২০ চুপ্পা শোক্লখিবা নোংমৈগী লানদা পুন্সি লেমখি। খুৎ থোক্লবা অদুদা টেররিষ্ট অনীসু শিখি হায়না পল্লদুনা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন্না টেররিষ্টশিং অদুগী মমিং মথাদি পনখিদে।
খুৎ থোক্লরিবা মফম অদুদা নোংমৈ কাপ্পবা লেকখ্রবসু থি-হুম্বগী থবক্তি লেপ্তুনা চথখি। নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা আর্মি অমসুং অতৈ সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা টেররিষ্টশিংগী মায়োক্তা ফাইনেল এসোল্ট চথবা হৌখি। পেরা কম্মান্দোশিংনা য়ুম অমগী মনুংদা চঙশিন্দুনা লৈরিবা টেররিষ্টশিং অমসুং সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং অমগা অমগা তোঙান-তোঙান্না লৈহন্নবগীদমক্তা রুম ইন্টরভেন্সন হৌখি।
য়ুম অদুদা লৈরিবা মীচমশিং কন্ননবা অমদি লোত্তুনা লৈরিবা টেররিষ্টশিং লোইশিন্নবগীদমক্তা আর্মিগী ওফিসরশিং অমদি এস ও জিগী পুলিস সব-ইন্সপেক্টরশিং য়াওবা টিম অদুনা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা য়ুমদুদা চঙশিনখিবনি হায়রি।

## কোরোনা ৱারিয়রশিং ইকাই খুম্নবা উৎলদুনা লৈ চাইথখ্রে



ন্যু দিল্লি, মে ০৩ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরস পান্দেমিক থেংনরিবা কোরোনা ৱারিয়রশিংবু ইকাই খুম্নবা অমদি তৌবিমল খঙবা উৎপা ওইনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ইন্দিয়ন এয়র ফোস (আই এ এফ)কী জেটশিং অমসুং ট্রান্সপোট প্লেনশিংনা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা লৈরিবা হোস্পিটালশিং অমসুং মরু ওইবা মফমশিংদা লৈ চাইথখ্রে।
লৈবাক অসিদা মাঙজিন থানা কোরোনাভাইরস থেংনরিবা দোক্তরশিং, পেরামেদিকশিং, সেনিটেসন ষ্টাফ অমসুং পুলিস অমসুং অতৈ ৱর্করশিংবু আর্মদ ফোর্সেসনা লৈবাক শীনবা থুংনা থাগৎপা ফোঙদোকপগী শরুক অমা ওইনা জেট অমদি ট্রান্সপোট প্লেনশিংনা মফম কয়াদা লৈ চাইথখিবনি।
মিগ-২৯, সুখোই-৩০ অমসুং জাগুৱর য়াওনা আই এ এফকী জেটশিং অমদি চোপ্পরশিংনা ফ্লাই-পাষ্টশিং পাঙথোকখি অমসুং আর্মি বেন্দশিংনা লৈবাক অসিগী নোংপোক্তগীনা নোংচুপ অমসুং অৱাংদগী খাদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট অয়াম্বগী মেদিকেল বিল্ডিংশিংগী মপান্দা লৈবাক নীংবগী ট্যুনশিং খোংখি।
কোভিদ-১৯ হোস্পিটালশিং অমসুং অতৈ গভর্নমেন্ট বিল্ডিংশিংগী মপান্দা মেদিকেল কম্যুনিটিগী মীওইশিং অমসুং অতৈ কোরোনা ৱারিয়রশিংনা আর্মদ ফোর্সেসনা উৎলক্লিবা ইঙ্গিৎতা ইকাই খুম্নবা উৎলদুনা মথবাক্তা খুৎ থল্লদুনা পুন্দুনা লৈনখি। ৱেষ্টর্ন এয়র কম্মান্দগী আই এ এফকী জেটশিংনা দিল্লিগী সার গঙ্গরাম হোস্পিটাল, রাজিব গান্দি সুপর স্পেসেলিটি হোস্পিটাল অমসুং দিন দয়ল হোস্পিটালদা লৈ চাইথখি।
অমরোমদা, ফ্রন্টলাইন কোরোনাভাইরস ৱারিয়রশিংনা হোৎনরিবশিং অমসুং লৈবাক্কী মফম কয়াদা ফ্লাইপাষ্ট পাঙথোক্তুনা আর্মদ ফোর্সেসনা মখোয়বু ইকাই খুম্নবা উৎখিবগী থৌওং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থাগৎখ্রে। কোভিদ-১৯ মাঙজিন থানা থৌনা লৈনা থেংনরিবশিংদা সেল্যুট পীরি। ঐখোয়গী আর্মদ ফোর্সেসনা শীংথানিংঙাই ওইবা ইঙ্গিৎ পীরি হায়না মোদিনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

## বি এস এফ জৱান অমনা সব-ইন্সপেক্টর ১ হাৎলগা মথন্তা কাপশিঞ্জখ্রে



জয়পুর, মে ০৩ (এজেন্সি) :
দ্যুটিগী মতাংদা নীংঙাই-শংদানবা অমনা মরম ওইদুনা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা রাজস্থানগী শ্রীগঙ্গানগর সেক্তরগী মনুং চনবা ইন্দিয়া-পাকিস্টান বোর্দরদা পোষ্টিং তাবা বি এস এফ কন্সটেবল অমনা মহাক্কী সিনিয়র সব-ইন্সপেক্টর অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলবা মতুংদা মশামকসু কাপশিঞ্জদুনা শিজখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।
মখোয় অনীমক থৌদোক থোকফমদা খুদক্তা শিখি। এক্যুজ সিভ চন্দরনা হান্না সব-ইন্সপেক্টর রভিন্দ্র পাল সিংহবু মহাক্কী সর্ভিসকী খুৎলায়না কাপ্তুনা হাৎলবা মতুংদা মশামকসু কাপশিঞ্জদুনা শিজখি হায়না বোর্দর গার্দ তৌরিবা ফোর্স অদুগী সিনিয়র ওফিসর অমনা ফোঙদোকখি।
জোধপুরদা বি এস এফকী ওফিসরশিংনা হায়খি মদুদি, ঝরখন্দদগী সিভ চন্দর হায়রিবা কন্সটেবল অসি শ্রীগঙ্গানগর সেক্তরগী রেনুকা পোষ্টতা তাবনি। মহাক লোকদাওনগী মমাংদা ছুটি লৌখিবদগী মহাক্কী পোষ্টতা হল্লকখিবনি। নোংমাইজিং নুমিত্তা আর পি সিংহনা সিভ চন্দরবু দ্যুটি লাকপদা থেংনা থুংলবগীদমক্তা চৈখি। অসুম্না চৈ থাংলকপা অসিদা অশাওবা পোক্লবা পার্সনেল অসিনা মহাক্কী সিনিয়র ওইরিবা সব-ইন্সপেক্টর আর পি সিংহদা মহাক্কী সর্ভিস নোংমৈনা কাপখি অমসুং মশামকসু কাপশিঞ্জদুনা শিজখি।
থৌদোক অদুগা মরী লৈননা শ্রীগঙ্গানগর হিন্দমাল কোট পুলিস ষ্টেসন্দা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে হায়রি।
পনবা য়াবদি, হৌখিবা থাদসু অসামগী করিমগঞ্জতা লৈবা বি এস এফকী ৭ শুবা বট্টালিয়নগী কেম্পতা বি এস এফ জৱান অমা উ অমদগী থৌরী য়ান্দুনা শিজবা লৈখ্রবনি। মহাক উত্তর প্রদেশকী গজিয়াবাদতগী হৌরকখিবা মশাগী চহী ৪০ শুরবা বিনোট কুমার কৌবা মীওই অমনি হায়না আইদেন্টিফাইদ তৌখি। ইন্দো-বাংলশেদ বোর্দরদা দিপ্লোই তৌরিঙৈদা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

## দিল্লিগী কাপাসেরাদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেস ৫৮ শুরে




ন্যু দিল্লি, মে ০৩ (এজেন্সি) :
সাউথ-ৱেষ্ট দিল্লিগী কাপাসেরাদা লৈবা মথোল অনীগী বিল্ডিং অমগী মীওই ১৭ নোংমাইজিং নুমিত্তা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরমবা থেংনখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা বিল্ডিং অদুদা থেংনখিবা কোভিদ কেস মশিং পুন্না ৫৮ শুখ্রে।
সাউথ-ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটকী ওফিসকী ওফিসল অমগী মতুং ইন্না হৌখিবা এপ্রিল ১৯ দা বিল্ডিং অদু সীল্ড তৌখিবা মতুংদা মদুদা লৈরিবা মীওই কয়াগী সেম্পলশিং লৌখি। হৌখিবা এপ্রিলদা লৌখিবা সেম্পলশিংগী মতুং ইন্না কাপাসেরাগী বিল্ডিং অদুগী মীওই ১৭ ইনৌ নৌনা পোজিটিভ ওইরে হায়বসি কনফার্ম তৌরে। রিপোর্ট ৯৫ লাকখিবগী মনুংদা পুন্না পোজিটিভ কেস ৫৮ য়াওরমখি হায়বা ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখি।
দেপ্যুটি কম্মিস্নর কাপাসেরাগী ওফিসকা নক্লবা থেকে ৱালি গলিদা লৈবা বিল্ডিং অদুগী নুপী অমা হৌখিবা এপ্রিল ১৮ দা পাঙথোকখিবা কোরোনাভাইরসকী টেষ্টতা পোজিটিভ ওইখিবনি। কেস অমখক রিপোর্ট তৌখিবা ওইরবসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না মী কুংনা লৈরিবা বিল্ডিং অদু সীল্ড তৌশিনখি। বিল্ডিং অদুদা মী ২০০ রোম লৈরম্বনি হায়রি।
হৌখিবা থাংজদা বিল্ডিং অদুদগী পোজিটিভ কেস ৪১ রিপোর্ট তৌখি। ঙসি কাপাসেরাগী বিল্ডিং অদুদগী পুন্না সেম্পল ১০০ লৌখি হায়না ওফিসল অদুনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখি।
হৌখিবা এপ্রিল ২০ অমসুং ২২ দা বিল্ডিং অদুদা লৈরিবা মীওই পুম্নমক্কী মনুংদগী য়ামদ্রবদা সেম্পল ১৭৫ লৌরগা এন আই বি নোইদাদা থাখি। নুমিৎ ১৩ নিগী মতুং থাংজ নুমিত্তা রিজল্ট ৬৭কী রিপোর্ট লাকখিবদা পোজিটিভ কেস ৪১ য়াওরম্বা থেংনখি। মীওই খুদিংমক লাইওং অমত্তা উত্তবনা রিজল্টশিং অদু নুমিৎ ১৩ নি শুরবা ঙাক্তা ওইখি। নোংমাইজিং নুমিত্তা রি-টেষ্ট ১০০ পাঙথোকখিবগা লোয়ননা পোজিটিভ কেস খুদিংমক্কী চপ চাবা ফিভম খঙননবা নিংথৌকাবদসু টেষ্ট খরা পাঙথোক্কপনি হায়রি।